# ইন্দিয়ান স্বিমিং নেসনল চেম্পিয়নশিপ্তা ২০১৯দা ভিরধৱাল খাদে অমসুং দিবিয়া সতিজানা অনৌবা নেসনল রেকোর্ড থন্বা ঙমখ্রে

ভোপাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সী)ঃ
ইন্দিয়াগী মৈধ্যা প্রদেশ ষ্টেটকী কোনুং ভোপালদা পাঙথোক্লিবা ৭৩রক শুবা গ্লেনমার্ক সেনিয়র নেসনল এক্বাটিক চেম্পিয়নশিপ্পুকী ৪নি শুবা নুমিৎতা ভিরধৱাল খাদে অমসুং দিবিয়া সতিজানা মখোয় মশামক্কা থমজখিবা নেসনল রেকোর্দশিং থুগাইবা ঙমখ্রে।

ভোপালগী প্রকাস তরন পুস্কার ভবনদা পাঙথোক্লিবা নুমিৎ ৫নি চথুগদবা ৭৩রক শুবা গ্লেনমার্ক সেনিয়র নেসনল এক্বাটিক চেম্পিয়নশিপ্তা ঙরাং এসিয়ন গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রবা স্বিমর ভিরধাল খাদেনা নুপাগী মিটর ৫০গী বট্টরফ্লাই ইভেন্টতা মশামক্কা মমাঙ চহীদা থমখিবা রেকোর্দ অদু থুগাইদুনা গোল্ড মেদল ফংখি।

বিরধৱাননা মমাঙ চহীদা নুপাগী মিটর ৫০গী বট্টরফ্লাই ইভেন্ট অদুদা সেকেন্দ ২৪.২৬তা থমখিবা রেকোর্দ অদু ঙরাং সেকেন্দ ২৪.১৯দা অনৌবা ইন্দিয়াগী রেকোর্দ অমা থন্বা ঙমখি।

অমরোমদা, নুপীগী স্বিমর দিবিয়া সতিজানা মহাক মশামক্কা ইন্দিয়াগী ওইবা চহী ২ শুরবা মিটর ৫০গী নুপীগী বট্টরফ্লাই ইভেন্টকী রেকোর্দ অদু থুগাইদুনা গোল্ড মেদল ফংখি। দিবিয়ানা হান্না থম্লম্বা সেকেন্দ ২৮.৬৪গী মতম অদু নৌনা সেকেন্দ ২৮.৩৩দা থন্বা ঙমখি।

৭৩ শুবা গ্লেনমার্ক সিনিয়র নেসনল এক্বাটিক চেম্পিয়নশিপ অদুগী ঙরাং ৪নি শুবা নুমিৎতা নুপাগী মিটর ৪০০গী মেদলেদা কর্নাটকাগী এস সিবানা মিনট ৪:৩৩.০১দা গোল্ড মেদল ফংখি। ইভেন্ট অদুগী সিলভর মেদল অদুনা রেলৱেজগী টি ইমিল রোবিননা মিনট ৪:৩৬.৬৮তা ফঙখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেদল অদুনা সার্ভিসেসকী স্বিমর এম জয়ন্তনা মিনট ৪:৪১.২১দা লৌখি।

নুপাগী মিটর ২০০গী ব্রেষ্টটোক ইভেন্টকী গোল্ড মেদল অদুনা কর্নাটাকাগী এস পি লিখিতনা মিনট ২:১৮.৬১দা ফংলগা সিলভর মেদল অদুনা টামিলনাদুগী এস দনুসনা মিনট ২:১৯.১১দা লৌবা ঙল্লগা ব্রোঞ্জ অদুনা রেলৱেজগীএম লোহিতনা মিনট ২:১৯.৯৪দা ফঙখি।

নুপাগী বট্টরফ্লাইগী মিটর ৫০দা মহারাষ্ট্রগী বিরধৱাননা নেসনল রেকোর্দ অমা থমখ্রবা মতুং সিলভর মেদল অদুনা রেলৱেজগী সুপ্রিয়া মোন্দোলনা সেকেন্দ ২৪.৫৫তা সিলভর ফংখি। অদুগা ব্রোঞ্জ অদুনা মহারাষ্ট্রগী মিহির অমব্রেনা সেকেন্দ ২৪.৭৮তা লৌখি।

নুপাগী মিটর ৪x১০০ মেদলে রিলেদা কর্নাটকাগী স্বিমর স্রিহরি, লিখিত, রক্সিত অমসুং পৃথিবীনা অনৌবা মিট রোকোর্দ অমা থমদুনা মিনট ৩:৪৮.৮৩দা গোল্ড লৌখি। সিলভর মেদল অদুনা সার্ভিসেস স্পোর্টস কন্ত্রোল বোর্দকী অর্বিন্দ আসিস সিবাক্স অমদি অনন্দনা মিনট ৩:৫২.১১দা লৌরগা ব্রোঞ্জ অদুনা রেলৱেজ স্পোর্টস প্রমোসন বোর্দকী সোমিয়ত, সুপ্রিয়া, ভিরা অমদি লোহিতনা মিনট ৩:৫২.৯৩দা ফংখি।

নুপীগী মিটর ১৫০০গী ফ্রি ষ্টাইল ইভেন্টতা পুলিসকী স্বিমর রিচার্দ মিস্রানা মিটন ১৭:৫৫.৫৫তা গোল্ড মেদল ফংখি। টামিল নাদুগী ভাবিকা দুগরনা মিনট ১৭:৫৭.৬৭দা সিলভর অদুগা কর্নাটকাগী খুসি দিনেসনা মিনট ১৭:৫৮.১৪দা ব্রোঞ্জ লৌখি।

নুপীগী মিটর ২০০গী ব্রেষ্টট্রোক ইভেন্টতা মহারাষ্ট্রগী অপেক্সা ফর্নান্দেজনা মিনট ২:৪১.৮৯দা গোল্ড মেদল ফংলগা কর্নাটকাগী সালোনি দলাননা মিনট ২:৪২.৫০দা সিলভর অদুগা ব্রোঞ্জ মেদল অদুনা মহারাষ্ট্রগী অতোপ্পা স্বিমর জোতি পতিলনা মিনট ২:৪২.৭৬দা লৌখি।

নুপীগী মিটর ৪x১০০ মেদলে রিলেদা মহারাষ্ট্র টিমগী যুগা বিরনালে, অপেক্সা ফর্নান্দেজ, করিনা সন্তা অমসুং কেন্সা গুপ্তনা গোল্ড মেদল অদু মিনট ৪:৩৩.১০দা লৌখি। ইভেন্ট অদুগী সিলভর মেদল অদুনা কর্নাটাকা ষ্টেটকী রিধিমা বিরেন্দ্র কুমার, দামিনি কে গোদা, সালোনি দালাল অমদি খুসি দিনেসনা মিনট ৪:৩৪.৮৪দা ফঙখি। লোয়নননা ব্রোঞ্জ মেদল অদুদা টামিল নাদুগী মিনাক্সি ভি কে আর, স্রিয়া প্রসাদ, শক্তি বি অমসুং শ্বরনা কে হরিতনা মিনট ৪:৩৯.৪৯দা লৌবা ঙমখি।

নুপীগী মিটর ৫০গী বট্টরফ্লাই ইভেন্টতা হরিয়ানা দিবিয়া সতিজানা অনৌবা নেসনল রেকোর্দ অমা থন্বা ঙমখ্রব মতুং ইভেন্ট অদুগী সিলভর মেদল অদুনা কর্নাটকাগী নিনা ভেঙ্কতেসনা সেকেন্দ ২৮.৪৩দা ফঙখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেদল অদুনা মহারাষ্ট্রগী জোসনা পন্সারেনা সেকেন্দ ২৮.৭৪দা লৌবা ঙমখি।

নুপীগী মিটর ৫০গী ফ্রিষ্টাইল ইভেন্টতা মহারষ্ট্রগী রুজুতা খাদেনা সেকেন্দ ২৬.৭২দা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। মহারাষ্ট্রগী কেনিসা গুপ্তানা সেকেন্দ ২৬.৯০দা সিলভর লৌরগা ব্রোঞ্জ মেদল অদুনা রেলৱেজগী অভান্তিকা চৱাননা সেকেন্দ ২৭.৩৯দা ফঙখি।




## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০২

১) কুমজা ১৯৭০দা বোরপেটাদা পাঙথোকখিবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মণিপুরনা চেম্পিয়ন ওইখি। মদুদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয় খরা পীরি। মসিগী মরক্তা শরুক য়াখিদবা অমগী মমিং পীয়ু। ইমোচা, বিধু, বসন্ত কবুই, লুঙ্গাইনি, কোঙাংবি।

২) হন্দক্তা বোলর অসি শীখি অমদি টেষ্ট অমদা ইনিংস অমদা ৱিকেট ১০ লৌবা ঙমখি। কুমজা ২০১৯গী জুলায়গী অরোইবা চয়োলদা লৈখিদবা মমিং চৎপা বোলর অতোপ্পা অদু কনানো? মহাক করিগীদমক মমিং চৎখিবনো? পাউখুম অনী পীয়ু?

৩) মহাক কুমজা ১৯২৮গী ওলিম্পিক্তা লুপাগী মেদল ফংখি। চহী ২০গী মতুংদা থৌরম অদুমক্তদা মহাক্না ওলিম্পিক্তা লুপাগী মেদল অমসু ফংখি। মহাক্না শরুক য়াবা থৌরম অদু ওলিম্পিক্তগী লৌথোকখ্রে। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৪) নাগাওন্দা পাঙথোকখিবা ইন্দিপেন্দেন্স দে ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মণিপুরগী টিম অমনা শরুক য়ারুই। মদুদা চীংমী মপাল (৯) অমসুং তম্পাক্তগী অনী (২) য়াওখি। তম্পাক্কী শান্নরোয় অনী অদু কনা কনানো?



৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বরময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## ভিরাট কোলিগী কেপ্টেন্সিনা হান্নগী কেপ্টেনশিংগা য়েংনবদা মাংজিল থারি

ন্যদিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সী)ঃ
ইন্দিয়াগী নুপাগী ক্রিকেট কেপ্টেনশিংগী ওইবা তোঙান-তোঙানবা রেকোর্দশিংদা লৈখিবা রিজল্টশিং অদু চাংদম্নবদা হৌজিক টিম অসিবু লুচিংলিবা ভিরাট কোলিগী রেকোর্দনা মাংজলি থাবা ঙল্লি।

হান্না লৈরম্বা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমনা মীরমদা ক্রিকেট টুর শান্নবা মতমদা সেরিজ মায় পাকপগী চাং নেম্লম্বনি। অদুবু কুমজা ২০০০গী হৌরকপদা শৌরব গঙ্গুলিনা কেপ্টেন ওইদুনা শান্নবদা মায় পাকপগী চাং হেনগৎতুনা লাক্লি। অদুবু হৌজিক মহাক্কী মতুংদা মহেন্দরসিংহ ধোনিনা কেপ্টেন ওইখিবদা মায় পাকপগী চাংচৎ হেনগৎলকখি।



অদুবু হৌজিক হৌজিক কেপ্টেন ওইরিবা ভিরাট কোলিনা লুচিংদুনা শান্নরিবা টিম অসিনা হান্না লৈরম্বা রেকোর্দশিং অদুদগী ফজবা হেনগৎলক্লি। গঙ্গুলিগী মতমদা মীরমদা মায় পাকপগী চাংচৎ ৪২ লৈখি। ধোনিগীনা চাংচৎতা ৪৫ অদুগা ভিরাট কোলিনা ৱেষ্ট ইন্দিজ টুর মায় পাকপদগী চাংচৎতা ৫৮ য়ৌরি।

## ইন্টর মিলাননা কাগ্লিয়ারিবু পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা ইটালিগী সেরি ‘এ’গী পোইন্ট টেবলদা মাংজিল থারি



রোম, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সী)ঃ
য়ুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাক ইটালিগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লিগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা সেরি ‘এ’গী অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা ইন্টরনা কাগ্লিয়ারিবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা লিগ অসিগী হৌরকপদা মাঙজিল থাবা ঙল্লি।

ইন্টর অমসুং কাগ্লিয়ারিগী মেচ অদু হৌরকপদা ইন্টরগী মায়কৈদগী পুংখাই অমরোমগী মতম অদুদা ফজবা হেন্দুনা বোল কয়া পুশিনখি। শান্নবগী ২৭ শুবা মিনটতা ইন্টরগী মায়কৈদগী ষ্টিফানো সেন্সিনা পীরকপা পাস অমদা টিমমেট লোটারো মার্টিনিয়সনা মেচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

ইন্টরনা পাঞ্জল অমা মাংজিল থাদুনা লৈরিবা অদু কাগ্লিয়ারিগী মায়কৈদগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাউবদা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মেচকী ৫০ শুবা মিনটতা কাগ্লিয়ারিগী মায়কৈদগী নাহিতান নন্দেজনা পাস তৌরকপা বোল অমা টিমমেট জুৱা পেদ্রোনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ইক্বেলাইজর ফংদুনা টিম অনীমক য়াম্না মান্নবা মওংদা লৈরকখি।

শান্নবগী ৭২ শুবা মিনটতা ইন্টরগী মায়কৈদগী চথুখিবা এটেক অমদা পেনাল্টি অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু ইন্টরগী ষ্ট্রাইকর রোমেলু লুকাকুনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা কাগ্লিয়ারিবু ২-১দা মাংজিল থারগা লৈখি।

মেচ অদুগী লেমহৌরিবা পুংখাই ফাদ্রবা মতম অদুদা পাঞ্জল অমা শোথদুনা লৈরিবা কাগ্লিয়ারিগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ফংদনা ইন্টরনা ২-১দা থোইখি।

লিগ অদুগী অতোপ্পা অনীশুবা রাউন্দ মেচ অমদা টোরিনো অমসুং টলান্তা লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী ২৪শুবা মিনটতা টোরিনোগী মায়কৈদগী দেনিয়ল বাসেলিনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট কেবিন বোনিফাজিনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মাংজি থারগা লৈখি। অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ৭ ৱাৎলিঙৈদা অটালান্টাগী মারিও পসালিক্কা পীখিবা বোল অমা দুবান জপাতানা পাঞ্জল চন্দুনা ইক্বেলাইজর অদু ৩৮ শুবা মিনটতা ফংলগা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা শুপ্নগী মিনট ৯ চঙশিল্লকপদা অটালান্টাগী ইক্বেলাইজর চনখিবা দুবাননা ৫৪ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চল্লগা টোরিনোবু ২-১দা হেন্দুনা লৈখি। অদুবু টোরিনোগী মায়কৈদগী চথুখিবা এটেক অমদা সোলিনো মৈতেনা পীরকপা য়াম্না ফজবা পাস অমদা টিমমেট এলেক্স বেরেনগুরনা ৫৭ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা লৈরিঙৈ মেচকী ৬৬ শুবা মিনটতা মখা তানা এটেক চথবা ঙমখিবা টোরিনোগী মায়কৈদগী দেনিয়ল বাসিলিনা অমুক্কা হন্না পীরকপা পাস অমদা টিমমেট অমান্দা ইজোনা পাঞ্জল চন্দুনা অটালান্টাবু টোরিনো ৩-২দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা অনীশুবা মেচ অমদা জেনোৱা অমসুং ফ্যুরেন্টিনা লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফকী অঙনবা শরুক্তা জেনোৱাগী পাউ লো গিলোনিনা পীরকপা পাস অমদা খৃটিয়ান জপাতানা ১১ শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাখি।

হাফ অদু লোইশিনবা ফাওবদা মখা তাবা পাঞ্জল লৈখিদবগী অনীশুবা হাফতা ফ্যুরেন্টিনাগী মায়কৈদগী ফজনা কন্না হোৎনরবসু ইক্বেলাইজর ফংদ্রিঙৈ মেচকী ৬৫ শুবা মিনটতা জেনোৱাগী আইয়োনুট রাদুনা পীরকপা পাস অমদা টিমমেট খৃষ্টেন ক্বামেনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মাংজিল থাখি। অদুবু মেচকী ৭৬ শুবা মিনটতা ফ্যুরেন্টিনাগী মায়কৈদগী ফংখিবা পেনাল্টি অমদা এরিক পুলগারনা পাঞ্জল ওন্থোক্লগা মেচ অদু জেনোৱানা ২-১দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা অনীশুবা রাউন্দ মেচ অমদা ভেরোনা অমসুং লেসি লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফতা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফ অদুগী অয়াম্বা মতমদা পাঞ্জল চন্নদনা লৈরিঙৈ মেচকী ৮১ শুবা মিনটতা ভেরোনাগী মাতিয়ো পেসিনানা অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল চল্লগা লেসিবু ১-০দা থোইখি।

## আই এস এস এফ ৱর্ল্ড কপকী অরোইবা নুমিৎতা ইন্দিয়ানা পুন্না মেদল ৪ ফংলগা ফিভম ফজবা ঙমখ্রে

রিও দি জেনৈরো, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সী)ঃ
ব্রাজিলগী কোনুং রিও দি জেনৈরোদা পাঙথোকপা ইন্টনেসনল শুটিং স্পোর্টস ফেদরেসনগী ৱর্ল্ড কপকী অরোইবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী শুটরশিংনা মেদল ৪ ফংলগা ফজবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা তোঙান-তোঙানবা ইন্টর্নেসনল কম্পিটিসন কয়াদা মখোয় মখোয়গী ইভেন্টশিংদা মকোক থোংবা ঙমখ্রবা নুপীগী শুটর মনু ভাকর অমসুং নুপাগী শুটর সৌরব চৌধুরিনা মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল মিক্স কম্পিটিসনদা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী হায়রিবা ইভেন্ট অদুমক্তদা শরুক য়াখিবা য়েসাস্বিনি দেসৱাল অমসুং অবিসেক বর্ম্মনা সিলভর মেদল ফংখি। অরোইবা নুমিৎতী রিজল্ট অদুনা ইন্দিয়াগী শুটিং টিম অসিনা চহী অসিদা পাঙথোকখিবা আই এস এস এফ ৱর্ল্ড কপ ৪গী মনুংদা মেদল ফংবগী মায়কৈদা মরিমক মকোক থোংবা ঙমখি।

রিও দি জেনৈরো আই এস এস এফ ৱর্ল্ড কপ অদুদা ইন্দিয়াগী শুটরশিং অদুনা গোল্ড মেদল ৫, সিলভর ২ অমসুং ব্রোঞ্জ ২ ফংদুনা মকোক ওইখি। কম্পিটিসন অদুদা শরুক য়াখিবা অতোপ্পা লৈবাক্কী শুটরশিংনা গোল্ড মেদল অমদগী হেন্না ফঙবা ঙমখিদে।

নুপীগী মিটর ১০গী এয়র রাইফলদা ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইরিবী ইন্দিয়াগী শুটর অপুরবি চন্দেলানা দিপক কুমারগা পেয়র ওইদুনা মিটর ১০গী এয়র রাইফলকী মিক্স কম্পিটিসনদা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। হায়রিবা ইভেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা পেয়র অঞ্জুম মোদগিল অমসুং দিভিয়ান্স সিংহ পনৱরনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টকী মিক্স টিমদা চহী ১৭তা ঙাইরিবা ইন্দিয়াগী মনু ভাকর অমসুং সৌরব চৌধুরিনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী পেয়র য়স্বসিনি ধৱল অমসুং অবিসেক বর্ম্মবু ফাইনেলদা পোইন্ট ১৭-১৫দা হেন্দুনা গোর্ল্ড মেদল ফংখি।

ইন্দিয়াগী অপুরভি অমসুং দিপক কুমারনা মিটর ১০গী এয়র রাইফল ইভেন্ট অদুদা চাইনাগী পেয়র য়াং কিয়াং অমদি য়ু হাওননবু পোইন্ট ১৬-৬তা অয়াম্না হেন্দুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

আই এস এস এফ ৱর্ল্ড কপ ২০১৯দা ইন্দিয়ানা পুন্না গোল্ড মেদল ১৯ থারগা অতোপ্পা মেদল ৭কা পুনশিল্লগা ২২ লৌদুনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী মাংজিল থাদুনা লৈখি।



## ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিমনা মমাঙদা লৈখিবা রিজল্টনা পাঙ্গল ওইরগা মখা তাবা মেচশিংদা মায় পাকপগী অনৌবা থৌনা লৈরি

গুৱাহাটি, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সী)ঃ
মমাঙ চহীগী মে থাদা ইন্দিয়াগী নুপাগী সেনিয়র ফুটবোল টিমগী অনৌবা কোচ অমা ওইনা থৌ পুরকখিবা ক্রোসিয়া মচা আইগোর ষ্টিমেকনা হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিম অসিগী লৈরিবা খোঙচৎতা হান্না লৈখিবা রিজল্টশিং অদুনা পাঙ্গল ওইরগা মখা তাবা মেচশিং মায় পাকপগী অনৌবা থৌনা লৈরি হায়না শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী সেনিয়র ফুটবোল টিমগী মরু ওইবা শান্নরোয় অমা ওইরিবা সেন্টর বেক সন্দেস জিঙ্গাননা ফোঙদোকখিবদা ক্রোসিয়াগী কোচ আইগোর ষ্টিমেকনা মহাক্কী ৱাখল্লোলগী মখাদা শান্নহন্নিংবা ফজবা ফুটবোল মশান্না অদু শান্নরোয়শিং অদুনা শান্নবা ঙম্লে হায়বা অদু মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি।

ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম অসিনা স্পেনগী কুরাকোদা পাঙথোকখিবা কিংস কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমসুং হিরো ইন্টর কোন্টিনেন্টেল কপ্তা শান্নখিবা মেচশিং অদুনা কোচ ষ্টিমেককী অনৌবা ৱাখল অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুনা থৌনা ফনা শান্নবা ঙমখি।

অদুবু মেচশিং অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুগী মায়কৈদগী শেমদোকপা য়াবা অমদি হেন্না শাফু পীগদবা মায়কৈ খরদি অদুমক ৱাৎলি।

ইন্দিয়াগী টিম অসি হৌজিক হৌজিক ওগষ্ট ২০দগী হৌরগা গোৱাদা অকনবা ট্রেনিং চথরি। টিম অসিনা খৌরাংনা ঙাইরিবা অসি ওলিম্পিক ক্বালিফায়িংগী অহানবা রাউন্দদা ওমানগা শান্নগদবা মেচ অদুনি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয়শিংনা ষ্টিমেককী লমজিং মখাদা অফবা রিজল্ট পুরকপা ঙমগনি হায়না চাওনা থাজরি।



## চাইনিজ টাইপৈ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা মলেসিয়াগী মিক্স দবলসকী চান অমসুং গো অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে

YONEX CHINESE TAIPEI OPEN 2019 03-08 SEPTEMBER

টাইপৈ সিটি, সেপ্টেম্বর ০৩ (এজেন্সী)ঃ
টাইৱাননা য়ুন্থু ওইদুনা লৈবাক অদুগী কোনুং টাইপৈ সিটিদা লৈবা টাইপৈ এরেনাদা ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ৮ ফাওবা চথুগদবা য়ু এস দোল্লর ৫০০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা বি দব্লীয়ু এফকী মখাদা পাঙথোকপা সুপর ৩০০ লেভেলগী টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা চাইনিজ টাইপৈ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসকী কাংলুপ্তা নম্বর ১ সিদেদ পেয়র ওইরিবা মলেসিয়াগী পি এস চান অমসুং এল ৱাই গো অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

চান অমসুং গোনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেচতা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুন্থু লৈবাক চাইনিজ টাইপৈগী পেয়র সি আই ৱাং অমসুং সি ৱাই সেংবু ১৭-২১, ২১-১১, ২১-১১দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা অতোপ্পা চাইনিজ টাইপৈগী পেয়র এম টি য়াং অমসুং টি জে ৱুবু ২১-১৯, ২১-১০দা থোইরম্বা ভিয়েটনামগী টি দি দো অমদি এন টি ফাংগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা সিদেদ পেয়র সাউথ কোরিয়াগী এস জে সিও অমসুং ৱাই জে সেনা হোংকোংগী টি সি চাং অমদি দব্লীয়ু ৱাই ঙোবু ২১-১১, ১৮-২১, ২১-১৪দা মায়থীবা পীদুনা অনীশু বা রাউন্দদা মলেসিয়াগী পেয়র টি জে সেন অমসুং ৱাই দব্লীয়ু পেকপু ২১-১৯, ২১-১৭দা থোইরম্বা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র এ মোলানা অমদি এম সি বন্দাসোগা লম্বা তৌনরগনি।

৩শুব সিদেদ পেয়র ওইরিবা ইন্দোনেসিয়াগী ঐচ ফৈসল অমসুং জি ই ৱিটজাজানা ফ্রান্সকী আর লবার অমসুং এ ট্রানবু ২১-১৩, ২৪-২২দা থোইদুনা ২শুবা রাউন্দদা চাইনিজ টাইপৈগী পেয়র সি ৱাই লু অমদি সি ঐচ লিবু ২১-১৩, ২১-১০দা মায়থীবা পীরম্বা মলেসিয়াগী পি আর হু অমসুং ৱাই এস সিয়াগা থেংনরগনি।

৪শুবা সিদেদ পেয়র ওইরিবা হোংকোংগী সি এম তাং অমসুং ৱাই এস জিনা অতোপ্পা লৈবাক অদুমক্কী শান্নরোয় এম এন য়ুং অমদি টি ৱাই ঙোবু ২১-১৭, ১৩-২১, ২১-১৭দা মায়থীবা পীদুনা ২শুবা রাউন্দ য়ৌখি।

৫শুবা সিদেদ পেয়র থাইলেন্দগী এন ফোংফুপেট অমসুং এস অমিতরপাইনা কনাদাগী ৱুজে অমদি ৱুজে হুরবুর্টপু ১৮-২১, ২১-১৭, ২১-১৭দা থোইদুনা ২শুবা রাউন্দদা ইন্দোনেসিয়গী পেয়র থোইরম্বা হোং কোংগী মেক অমসুং সাউগা শান্নরগনি।

